# ‘ওপরেশন পাঙ্গোং’

## চুম্বু চুমদ্রো, চত্থফম থোক্তব্রো

এপ্রিল ২২, ২০২৫গী নুংথিলদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পহলগাম চীংথক্কী বৈসরনদা লৈবা টুরিষ্ট স্পোটতা য়ুমথংনরিবা পাকিস্টানদা বেজ তৌবা টেররিষ্ট গ্রুপ ‘লাস্কর-ঈ-তইবা’ (এল ঈ টি) গী টেররিষ্টশিংনা মীওই (নুপা) ২৬ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে। থৌদোক্তু এল ঈ টিনা চত্থখিবনি হায়দুনসু ক্লেম তৌরকখ্রে। অদুগা থৌদোক্তুদা লৈখিদবদা ফোরেন টুরিষ্ট ২ য়াওরবসু মীহাৎতু অতম্ননা টেররিষ্টশিংদুগী ফূরুপ-কাঙলূপ নত্তবা মীওইশিংদা চত্থখিবনি। মরমদি থৌদোক্তুদা শিখ্রবা মীওই খরদি মখোয়বু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎত্রিঙৈদা খোঙ্গ্রাও চিংথরগা করম্বা ফূরুপকী মীওইশিংনো হায়বদু য়েংদুনা খঙদোক্লগা হাৎলম্বসু য়াওখি। থৌদোক্তু জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী চীফ মিনিষ্টর ওমর অব্দুল্লাহদগী হৌরগা হোম মিনিষ্টর, দিফেন্স মিনিষ্টরনচিংবদগী হেন্দোরক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমু য়াওনা লৈবাকসিগী মীওই পূম্নমক্না লাইনীং অমসুং ফূরুপকী খেন্নবা থমদনা কন্দেম তৌখি। অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি। লাপখ্রবা অমসুং পীকখ্রবা মণিপুরদগী ফাওবা থৌদোক্তুগী মায়োক্তা লেপখি। মালেমগী লৈবাকশিংদসু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লরকখি। ফোঙদোকফমসু থোকই। খূৎলায় পায়জদবা লমকোয়বা লাকচবা মীওইশিংবু শা-ঙা হাৎপদৌনা মীনুংশি য়াওদনা নোংমৈনা কাপ-কাপ্তুনা হাৎলম্বগী থৌদোকপু করম্বা লৈবাক্কী মীওইশিংনা য়ানীংবা ফোঙদোক্তুনা শৌগৎনরক্কদগে? মীয়াম হুপ্না য়ানীংদবা ফোঙদোক্লরকখিবগী মথক্তা মপান লৈবাক্কী খোঙচৎতা লৈখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি খোঙচৎতু তেনশিল্লগা তনহন হল্লকখ্রিবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অৱাংবা থাক্কী মীফমশিং মরোল নাইনা পাঙথোকখি। হোম মিনিষ্টর অমিট শাহসু থৌদোক থোকখিবা নুমিৎতুগী নুমিদাংমক্তদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা চৎখ্রিবনি। পূম্নমকসি লোইনা থুপচিল্লগা হৌজিক ‘ওপরেশন সিন্দুর’ হৌদোক্লে। মসিগী হৌনবা থবক-থৌরমশিং চত্থবা হৌরে। জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী লৈমায়দগী খক্তা নত্তনা পাকিস্টান-ওক্যুপাইদ কাশ্মীর (পি ও কে) দগী হেন্দোরক্তুনা পাকিস্টানদা লৈবা ইন্দিয়াদা টেরর চত্থবা টেররিষ্টশিংগী কেম্পশিং পাক্তক্লনা থুগাইগনি হায়দুনা অকনবা লান চত্থবা হৌখ্রে। তৌসনু, তৌফম থোকই হায়দুনা তৌরিবনি। মীচম ২৬ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লগা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লগা খূৎ য়াওদনা লৈথোকপা হৌনদে। য়াদে হায়বা’মা চপ-চানা খঙহনহৌগদবনি। লৈবাকসিগী লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক লেপ্পা হায়বসিদি মশানা তাবা, তৌফম থোকপা থবক্লি। লৈবাকসিদা টেরর এটেকশিং চত্থবা অমসুং মখোয়দা ঙাক্লৌ পীবা পাকিস্টান লৈঙাকসু মরালগী মতুং-ইনবা চৈবী-চৈথেং ফংহনফম থোকই। টেররিষ্টকী থৌওংশিং চত্থবা য়াদে হায়বসিগী চপ-চাবা পাড়া অমা তম্বীহৌগদবনি। মসিদা টেররিষ্টশিং অমসুং পাকিস্টাননা খূৎ হল্লক্লবসু লৈবাকসিগী লৈজরিবা লান্মী অমসুং খূৎশু-খূৎলায়শিং শীজিন্নদুনা মায়োক্লগদবনি। লান হায়বসিদি অকাই-অতোই অমসুং মীশি-মীনা য়াওরকপা তাবনি। অদুবু মসিদা নীংহন্নদুনা মায় লৈরগা চেল্লোইদবনি। ‘ওপরেশন সিন্দুর’ গী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহনগদবনি।

অদুবু লাক্লিবা ৱাফমদি পহলগামগী বৈসরন টুরিষ্ট স্পোটতা মীচম ২৬ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বগীদমক্তদি ‘ওপরেশন সিন্দুর’ চত্থরগা চেন্নবা টেররিষ্টশিং মরূ ফংনা মাঙহন্নবা অকনবা লান চত্থরক্লিবসি য়েংলুরগদি মণিপুরদা মে ৩, ২০২৩দগী থোকখিবা লানগী থৌদোকশিংদুনা কমদৌবা? চহী ২ হেল্লক্লবা লানসিগী মনুংদা হিংথৎ-থৎখ্রবা থৱায় লোইনমক্তুদি য়াম্মনখ্রে। পোপথোক্তুনা কোনশিল্লগুমসি। অদুবু শরূ মচেৎ অমত্তা ফাওবা ফংদবদগী পাঙ্গোংনা মহুৎ শিল্লগা লাইনীংগী মতুংইন্না অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিবা মীওইশিংগী মশীং ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। হন্দক্কী য়াওশঙ মনুংদা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দগী মফম খঙদ্রিবা লুৱাংথেম মুকেশ ফাওবদা মীওই ৩০ হেন্দোরক্তুনা ৪০ শুজিল্লক্কদৌরে। মফম খঙখিদবা কুইশিল্লক্লবনিনা হৌজিক ফাওবা হিংলমখিগনি হায়বদি থাজদ্রে। লান হৌগৎলকপদগী খোঙ্গুল লীবা ফংদবশিংসু য়াওরি। মখোয়দু হিংনা পুথোরক্তুনা চং-চং লাওনা শিন্নৌ হায়বসু নত্তে। মখোয়না শেৎখি-চাখিবা ফি-রোলশিংগী মতৎ অমত্তা ওইরবসু নৎত্রগা শরূ মচেৎ ফাওবদং ওইরবসু ফংননবা ‘ওপরেশন পাঙ্গোং’ গা হায়না মিংথোনবা ওপরেশন অমগদি চত্থফম থোক্তব্রা হায়বনি। ৱাফমসি হায় হায়দুনা চত্থরক্লিবা ‘ওপরেশন সিন্দুর’ সিদা থৌওই-উশিৎতবা অমসুং করেম-কথাইনবগী ৱাফম নত্তে। টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা চত্থবা ওপরেশনদবু কৈদৌবে শীংথানরোইদোইনো? মখোয়গী থৌওংদু টেররিজমগী থবক্লি হায়দুনা ওপরেশন অসি মখোয়গী মথক্তা থৌওইনা চত্থরক্লিবনি। পহলগামগী মীওই ২৬ হাৎলম্বা থৌদোক্তুনা ‘টেরর এটেক’ নি হায়রগদি থৌদোক্তুদগী মীশিং হেন্দুনা মীওই ৪০ রোম মথোং-মরম খঙহনখিদ্রিবসিদি শাওনবদগীনি, শোয়বদগী থোকখিবা ফূরুপ মশেলগী মরক্তা থোকপা পাউ হোদোক্লহৌদবদগী থোকখিবনি হায়খিগে হায়রিব্রা? অঙাও-অফৈ অমসুং ঙাওরি-ফৈরিবগী চোইরোলনি নৎত্রগা মোন্দ্রংনি হায়না লৌগনু। হায়রক্তবা অমসুং পল্লক্তবা য়াদবদগী ‘ওপরেশন পাঙ্গোং’ গী ৱাফম হৌদোরক্লিবনি। মসিগী মরম ময়াম লৈরি। হোয়নি-মাইনি খঙখিদ্রবা মীওই ৪০ মুকসিগী মনুংদা লৈঙাক্কী লোয়শঙদা থবক তৌজবা মীওইশিং য়াওরি হায়বনি। মখোয়না লানসিনা মরম ওইরগা থৱায়সু মাঙবা, মশাসু ফংদবদগী পাঙ্গোংনা মহুৎ শিল্লগা মথৌ-মঙম পাঙথোকখ্রবা ফাওবদা ‘দেঠ সর্টিফিকেট’ য়াওদে হায়দুনা লৈঙাক্কী থৌমী অমা ওইরম্মী হায়বগী ফংফম থোকপা মচেৎ অমা ফাওবা ফংজবা ঙমদ্রে হায়বনি। মসিদবু হিংনা ফংলরোইদবা ওইরবসু শরূ ফাওবদি ফংহন্নবা মণিপুরদসু ‘ওপরেশন পাঙ্গোং’ চত্থরোইদবগী মরম লৈরিব্রা হায়বনি। ৱাফমসি অতাবা, অউবা অমসুং থেংনবা মীওইশিংনা নোক্লিংবা ফাওবা য়াই। হন্থনসু য়েংলকপা য়াই। অদুবু নয়া হিগৎকনু, হন্থনসু য়েংগনু। পহলগামদা শিখিবশিংদুনা মীওইবা ওইরবদি মণিপুরগী মফম খঙদ্রিবশিংসিদি চরূনা শারগা লৌরক্তা উচেক ঙাক্লবগী থম্বশিংদুনি হায়গে হায়ব্রা? টেররিষ্ট হায়বসিগা মখোয়গী টেরর এটেক হায়বসিগদি পাকিস্টানদা বেজ তৌবা মুস্লিম খরখক্কী নত্তে। টেররিজমগী থবক চত্থবা মীওই পূম্নমক টেররিষ্টনি। মীতৈ মরক্তগী অসিগুম্বা থৌওংসি চত্থরক্লবসু অদুম্মঙাই, চপ মান্নে। কান্নদে, মমিংদি অপাম্বা’মা থোল্লু, কৈশু কায়দে। অদুবু ‘ওপরেশন পাঙ্গোং’ গুম্বা অমদি চত্থরো হায়বনি। মসিনা চহী ২ হেঞ্জিল্লক্লবা লানসিগী ৱারোইশিন পুরকপদসু অচৌবা মতেং ওইগনি খল্লি। পীক্লবা মণিপুরদগীসু টেররিষ্টশিং মরূ ফংনা মূখৎলু।

## মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’ (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৫২৯)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

ওমবা লালথৌয়াঙবু পোকলকলে। অদু নুমিৎতগী । হাওরং মী তরুক পোক ও মিংকৌয়ে। মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন। হাওচোংঙমবী। কবুই হাওচোং আতল লমদা। লৈমা সনা খোঙদোই হুলবী। হাওচোং লৈমা কৈরোলথালবী। মপারি ওমবা লালথৌরাঙবগা। লোইননা হুয়েল লালশিং তরুকমকপু। লাকচাথীনা লালঙমবী। নবেনথৌ মৈতৈ লৈমা হাওচোংঙমবী সনা পীবুকন্নুংদগী চাদা নাওদারমবদি। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯵꯲꯹)


(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯝꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯑꯣꯝꯕꯥ ꯂꯥꯜꯊꯧꯌꯥꯡꯕꯨ ꯄꯣꯀꯂꯀꯂꯦ꯫ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤ꯫ ꯍꯥꯎꯔꯪ ꯃꯤ ꯇꯔꯨꯛ ꯄꯣꯛ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯩꯃꯥ ꯅꯣꯡꯕꯥꯜꯂꯣꯟ꯫ ꯍꯥꯎꯆꯣꯡꯉꯝꯕꯤ꯫ ꯀꯕꯨꯢ ꯍꯥꯎꯆꯣꯡ ꯑꯇꯜ ꯂꯃꯗꯥ꯫ ꯂꯩꯃꯥ ꯁꯅꯥ ꯈꯣꯡꯗꯣꯢ ꯍꯨꯜꯕꯤ꯫ ꯍꯥꯎꯆꯣꯡ ꯂꯩꯃꯥ ꯀꯩꯔꯣꯜꯊꯥꯜꯕꯤ꯫ ꯃꯄꯥꯔꯤ ꯑꯣꯝꯕꯥ ꯂꯥꯜꯊꯧꯔꯥꯡꯕꯒꯥ꯫ ꯂꯣꯢꯅꯅꯥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯁꯤꯡ ꯇꯔꯨꯀꯃꯀꯄꯨ꯫ ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯜꯉꯝꯕꯤ꯫ ꯅꯕꯦꯅꯊꯧ ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯩꯃꯥ ꯍꯥꯎꯆꯣꯡꯉꯝꯕꯤ ꯁꯅꯥ ꯄꯤꯕꯨꯀꯟꯅꯨꯡꯗꯒꯤ ꯆꯥꯗꯥ ꯅꯥꯎꯗꯥꯔꯃꯕꯗꯤ꯫ ●

# লুদোজিৎকী মতাংদগী থোকখিবনি



### ৱাইরু-ৱাইরুবদা




লাইরিক য়াম্না হৈর-হৈরবা, ক্লাস ৱাংল-ৱাংলবা ইনর্জিনা মৈ হৌরবা কোক লৈর-লৈরবা নহা কয়ানি ঙরাং। নহাদা নত্তে মৈ হৌর-হৌরবা অহল মৈহৌবা কয়ামসু য়াওখি ঙরাং। দিগ্রী অচৌ-অচৌবা পায়বা ঙাক্তনি। তোঙান-তোঙানবা মণিপুরগী কাচিন-কোয়া কয়াদগী লেঙবীরকপা মীথোই ঙাক্তনি। মীথোই হায়জরিবনসিনি।

ঙরাংদু ঐখোয় ময়াম মীফম অমা পাঙথোকই। লৈবাক্কী ওইবা হকশেলগী, লাইরিক-লাইশুগী, অসিনচিংবগী হীরম য়াম্না কোনবা মায়কৈ অসোমগী মীফম্নি। লৌবা হৈরবদি য়াম্না কান্নগদবা মীফম অমনি। লৌবা হৈত্রগনা তোকচরে। য়ৌ-য়া, য়ৌ-য়া অঙাং ময়াম অমসু মীফম অদুদা য়াওই, য়াওরৈ ফনবু নুংঙাই। লৈকায়গী ইমা-ইবেল ময়াম অমসু চীখদে অদুনা চৌক্রি অমত্তা লেমদে। মানা-মানা পামজবা ৱাখল-লৌশিং লৈজ-লৈজবা লোইনা পুথোক-পুথোক্তুনা ঙাঙনৈ। শেগা-মাইগা তাথোক-তাশিন তৌনৈ য়াম্না নুংঙাইবা মীফম অমনি। লৈবাক অসি খংচাও চাওখৎকদবা মাল্লি, মদুগী মমি অমা চাউনা তাই।

ঐবুসু লৈকায়গী ইনাও লুদোজিৎ কৌবা অমনা হরাউ-হরাউ চেবাউ অমা পীবিরক্তুনা থৌরমদুদা য়াওহনবীরে। চুম্নতা তাবা চৎপা নত্তে, ৱা ঙাঙবফাও হেক য়াওহনবীরে। ঐগী মতম কুইনা কুম্ভকর্ণগুম্না তূমদুনা লৈরুরবা ৱাখল লৌশিংদু মতু মমান ফ্রং-ফ্রং খীংদোকচনবা তাঞ্জা অমা ওইখি। ঐসু ময়ামদুনা ঙাঙবদু তার-তারগা ৱাখল লৌশিং য়াম্না ফংখি। য়াম্না নুংঙাইখি, কান্নখি তশেংনা। নুংদি য়াম্না নুংঙাইরগা মীফম অদুগী মতাংদা ৱা অমদি লৈজে, হায়সিরা ঐবো? ঙরাংগীদো?

হায়দোক্লগেদা, অহম-অহম! লৈকায়নাও লুদোজিৎনা মাগী মীটিংগী ৱা ঙাঙবদা ঐবু তোয়না তোয়না পল্লি। পনবিরিবদু ঐ নুংঙাইজে, থাগৎচরি অদুবু লুদোজিৎকী ঙাইহাক-ঙাইহাক লৈরগা ঐবু তাদা অমুক হায়বা, ঙাইহাক লৈরগনমুক ওজা অমুক কৌবা, ঙাইহাক লৈরগনহেক তামো হেক মহায়বা, অদুদগী ঙাইহাক লৈরগা অমুক ইয়াম্বা ইয়াম্বা, মিনট তরামুক কান্নরগনা সার-সার হায়না পল্লগা ঐবু পক পক্তনা ঙাঙবদো ঐ য়াম্না ৱাখি। ঐ তাবদা নুংঙাইতবনা লোইখি লুদোজিৎতা। মদুবু করিনো সিনি? নত্তে ঐবু মানা শুকহোং হোংদনা তাদা কৌগেরা, ইবাই কৌগেরা, বোন্ধু কৌগেরা, ইনে কৌগেরা, মাম্মা কৌগেরা, ইবোক কৌগেরা অমত্তদি লেঙদনা কৌজৌদনা চানবা চানদবা? ঐ ইকায়বা অমা ফাওরকখি। করিনোবা অদুবো? সিগুম্বা মীসু লৈমাল্লে খনখি। তাদগা, তামোগা, ইয়াম্বগা, ওজাগা, সারগা ময়াম অসিগী মরক্তা য়াম্না নৌবা খেন্নবা অমা লৈবদু খঙদবগীদি নত্তে মাগীসি। খেন্নববুদি শোয়দনা খঙলমগনিনা। মিঙ্গৌফম খঙদবগীসু নত্তে। লোনচৎ অমা ইকায় কায়দা সিদি খনখি ঐ। লোল য়াম্না হৈবগী মওংগীসু নৎফাৎলল্লোই।

মীটিং ময়ায় চল্লকপা মতমদা ঐগী কোক্তগী ৱাখল অমা ফন চোংথোরকই। ঐনা মাবু ঙসিদি লেম্না থারগদ্রনে? ঐ চীম্বাল মথক্লা মখাবু চীক্লগা মীৎ শুক্লা ৱাখল অমা খনখি। ঙাইহাক লৈরগদি ঐসু অমুক মঙোন্দা শীজিন্নবা হৌরে, ঙাইহাক লৈরগা ইনাও লুদোজিৎ, ঙাইহাক লৈরগা অমুক ইনাওতোন লুদোজিৎ, ঙাইহাক লৈরগা অমুক হায়রে মনাও লুদোজিৎ, ঙাইহাক লৈরগা অমুক হায়রে সার সার অমুক কৌশিল্লে (অহলনা নহাদসু কৌবা য়াবনিনা)। ঙাইহাক লৈরগা ইবুংঙো লুদোজিৎ হায়না অমুক কৌরে। মহাক্তি ঐনা হায়রিবা অদু অসুম ৱাখল তাদ তাখি। মিঙ্গৌ অসিসু হোং হোং কৌখৎলক্লবদি মদুসু নুংঙাইতবা ফাওই। মসিমক ঐঙোন্দা থোক্লিবসিনি। হৌজিক ফাও মহাক ৱাখল তাবু তারমখিরোই।

হৌজিক ঐখোয় অসি মিঙ্গৌ-থাগৌ ইওন-ওন্নবগী মফম মরাং খঙদবা অমা লৈরিঙৈ তাঞ্জা অসিদা অহলদনা করি নহাদনা করি হায়বা অমসু খঙনরক্তবা অমা লৈনরি। মসিগীসু মথক্তা ইপামাঙ, ইমামাঙ, ইপুমাঙদা করি হায়নি, তৌনি খঙদবা অসিমসু য়াম্না তৌখৎনরক্লি। ঐখোয়গী লোল অসি ইচায় চায়বগুম্বা মা উরপ তৌরি। নহাদা অহলনা নঙ নঙ হায়না শীজিন্নরকপা তারুবদা থম্মোয় অসি শেৎ শেৎ কায়জাৎনি। নুপীনা নুপাদা ফাগি ওই করি ওই ইবাই হায়না সুম কৌনবদু অশেংবা হেক্তা ওল্লকপা।

নৌনা চৎনরকপা অসি অফবা ওইরদি কায়দে মসি তৌদুনা লাক্লি, হান্নগী ফত্তবা কোন্নগী অফবনা শিনবা য়াই, শিন্নরি য়াননরি। কোন্নগী অদুনা ফত্তবা ওইবা তারবদি মদু তৌদবনা ফৈ। মসিগুম্বা হায়নীং-হায়নীংবা হায়বা, তৌনীং-তৌনীংবা তৌবা অসিসু য়াম্না বেরা অমনি।

ৱা ঙাঙবদসু ইংরাজি ঙাঙবদৌনা চপ-চপ শায়রগা খোইরগা ঙাঙবা হৌনরক্লে। তাবদি কয়া নুংঙাইতে। সোশল মীদিয়াদা লোল খোইরবা ঈশৈ অমদি পাউদম, ৱাঙাঙ কয়া মরাং কায়না লৈরে। মসি হায়ফেৎ শেমদোক্লবা লাক্লবা মরু ওইরে। অদুক নৈনজরকপা হায়দুনি, লুদোজিৎকী মতাংদগীনি সি য়ৌরম্মে ঙাকপীগনি, পাবীরিবশিংবু অমুক্কা হন্না খুরুমজরি। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ লৈরি # ৪৮৯

— প্রো. হুইদ্রোম বীরকুমার —
চীফ সাইন্টিষ্ট
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

মৈতৈ নৎত্রগা মীতৈশিংগা পুৱারীগা শাগোন্নরল্লবা পাম্বীলক্তগী ‘লৈরি’ হায়রিবা পাম্বী অসিসু থোইদোকই। মৈতৈগী নোংমা পানবা শজিবু চৈরাওবদা কৎত্রবা য়াদ্রবা লৈ অমা ওইনা শীজিন্নরক্লি। কোম্বীরৈ, কুশুমলৈ অমসুং লৈরিগী লৈশিং অদু মপুন ওইনা পুল্লগা লাইদা কৎপনি। হায়রিবা লৈ অহুম অসি অমা য়াওদবা মতমদা লৈ মপুন অদু মপূং ফাদে হায়না লৌনরিবনি। অহুম অসিগী মথক্তা লৈ মখল খরসু হাপ্তুনা কৎনবা অদুমক থেংনৈ। করি মরমদগী লৈ চবুন অদুদা লৈরি অসি য়াওফদবা য়াদ্রবা মচল অমা ওইনা হাপ্লিবনো হায়বগী চপ চাবা ৱাখল্লোন অমদি মরমদি খঙবা ঙমদে। লৈরিগী অকুপ্পা লৈ ময়াম অদু চবুন ওইনা শাৎপা অদুনা মৈতৈগী চৈরাওবা চহী হৌবা নুমিত্তা কৎলবদি মীওইবা কাঙলূপ অদু অমগা অমগা পুনশিন্নদুনা নুংঙাই-য়াইফনা হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন অদু ওইরম্বসু য়াই।



লৈরি পাম্বী অসি ইংলিসতা এসিয়াটিক স্বিটলিফ (Asiatic Sweetleaf) নৎত্রগা সেফায়র-বেরী (Sapphire-berry), সংস্কৃটতা লোধ্রা (Lodhra), উর্দুদা লোধ পাথানি (Lodh pathani) নৎত্রগা পাথানি লোধ (Pathani Lodh), নেপালিদা লোধ (Lodh) নৎত্রগা হাকুলাল (Haakulaal) নৎত্রগা সানো লোদো (Sano Lodo) নৎত্রগা খোলমে (kholme), চাইনিজদা সান ফেন কে (Shan Fan Ke), জপানিজদা সিরোমিনো-সাৱা-ফুতাগী (Shiromi-no-sawa-futagi), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা সিমপ্লোকোস পোনিকুলাতা (Symplocos paniculata (Thunb.) Miq.) নৎত্রগা সিমপ্লোকোস চাইনেন্সিস (Symplocos chinensis (Lour.) Druce) নৎত্রগা কোতোনেসটর কোরিয়ানস (Cotoneaster coreanus H. Lev.) নৎত্রগা পালুরা চাইনেন্সিস (Palura chinensis (Lour.) Koidz.) হায়না কৌই অমসুং সিমপ্লোকেসী (Symplocaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিবু স্বিটলিফ্ট (Sweetleaf) হায়নসু খঙনৈ। শাগৈ অসিগী মনুংদা জেনেরা অনী লৈ। মখোয় অদুদি সিমপ্লোকোস অমসুং কোর্দাইলোব্লাষ্ট (Cordyloblaste) অসিনি অমসুং মসিগী মনুংদা অপূনবা স্পিসিস ২৬০ রোম লৈবগী পাউদম লৈ।

হিন্দিদা লুধ (Ludh), বর্ম্মিজদা দৌক্যাট (Doukyat), সংস্কটতা অকসীভেসাজা (Akshibheshaja) নৎত্রগা ভালকা (Valka) নৎত্রগা গালাভা (Galava) হায়না কৌনবা লৈরি পাম্বী অসি দেসিদুঅস হায়বদি নাকেন্থাগী মতমদা মনা কেনগনবা ফুট ১০দগী ২০ ফাওবা ৱাংবা অপীকপা উ পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী অঙৌবা মচুগী অকুপ্পা লৈশিং অদু চরোং ওইনা ১০০গী মথক্তা পাল্লি। লৈশিং অদু শাৎপা মতমদা মনম য়াম্না নুংশি। পাম্বীগী মনা অদু কোয়পাক্লে, মখা থংবা শরুক অদু মতু চোম্মী অদুগা অকোয়বা অদু হোরায় ময়াগুম্না য়াৎলি। মহৈ অদু মিলিমিটর ৩দগী ৮ ফাওবা চাওই, শাংতক তৌই অমসুং মুল্লবা মতমদা মচু অদু হীগোক ওই অমসুং মেৎখায়বদা মহী থোকই। সেপ্টেম্বরদগী ওক্টোবর থা ফাওবগী মনুংদা মহৈশিং অদু মমুন ফাই।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না লৈরি পাম্বী অসি ইন্দিয়া, ম্যান্মার, বাংলাদেশ, ভিয়েটনাম, নেপাল, পাকিস্টান, লাওস, টাইৱান, টিবেট, জপান, চাইনা অমসুং জম্মু অমসুং কাশ্মীরদগী হৌরগা হিমালয়গী লমদমশিং অমসুং অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি তম্পাক্কী মফমশিং, থোইদোক হেন্দোক্না চীংখোঙ চীংয়াশিং অমসুং অনেম্বা চীংশিংদা মপূং ফানা হৌই।

লৈরি পাম্বী অসি মীওইবনা কান্নরবা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। হীদাক ওইনা বাংলাদেশকী অরিবা লায়েংদা লৈরি পাম্বীগী উগী মকু অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা খোঙ হামথবা অদু লায়েংনৈ। পাম্বী অসিদা এন্টিওক্সিদেন্টকী চাং ৱাংনা য়াওই অমসুং মসি নুপাগী ফম্বী ফগৎহনবা ঙম্মী হায়নসু পাউদল্লি। লৈরি পাম্বীগী মনা অমসুং উগী মকু অদু পূন্না শুগাইমিন্নরগা লৌবা মহী অদুনা কোক লুজবদা শম অদু মশা-মউ ফনা থম্বগী মথক্তা পোক হৌবা অদুসু ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ।

অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না নুংশিৎ মোৎপা অমদি হূ চেনবা পোৎশক য়াওবদগী মীওইবগী উনশাদা থোকহনবা অমাঙ অতা কয়ামরুম অদু লৈরি পাম্বীগী শুগাইদুনা লৌবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈবদা ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বগী ৱাফমশিং অখঙ অহৈশিংনা পীরি।

অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না লৈরি পাম্বীদা এন্টি ইনফ্লেমেটরি অমসুং এন্টি-বেক্টিরিএলগী ওইবা মগুণশিং থোইদোক হেন্দোক্না য়াওই। লৈরি পাম্বীগী মনম য়াম্না নুংশিরবা লৈশিং অদু চা ওইনা লোন্দুনা থকপা য়াগনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা মত পীরি। অশোক-অপন তৌবদা মহীক-মতাই হাৎনবা হীদাক ওইনা অয়ুর্বেদ অমসুং চাইনিজগী অরিবা লায়েং-পথাপশিংদা শীজিন্নৈ হায়বগী পাউদমসু লৈ। নুপীগী থাগী খোঙকাপ কা হেন্না চৎপদা লৈরি পাম্বী অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ। লৈরি পাম্বীগী মনা অদু ঈশিংদা শুগাইরগা লৌবা মহী অদুনা চিন-লৈ তেংথোকপদা য়ারি-য়াখোঙদা চাথৎতুনা ঈ থোকপা অদু লায়েংনৈ। লৈরি পাম্বীগী মনা অমসুং উগী মকু অদু পূন্না শুগাইমিন্নরগা শেম্বা মোলোম অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা তুশিন্দুনা শীংলি-নাওরি থুপ্পা অমসুং তোংশা কায়বা অদুসু লায়েংনৈ।

লৈরি পাম্বীগী অমুনবা মহৈ অদু পাম্না অমদি পাক-শন্না চান্নদ্রবসু জাম অমসুং জেল্লি শাবদা শীজিন্নৈ। পাম্বী অসিগী উগী মকু অমসুং মনা অদুদগী মথংশিৎনা হঙ্গাম মপাল অমসুং অঙাংবা মচুশিং লৌবা য়াই অমসুং মদু মচু শংবদা শীজিন্নৈ। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৩গী ৱাহং

১) “চকমোম মৈ কনবদা চরৈ ময়িন ফিবু থুম্না চাকলে খুম্বীও কৌএ। য়াওরৌ শাশুঙ পামেন উ কারক্তা য়েপ্লা শিরমএ অদু নোংগীবু শায়েপ-ও কৌএ।”
ৱাহৈ পরেং অনী অসি লৌথোরক্লিবা অরিবা লাইরিক অসিগী মমিং হায়য়ু।

২) “...গীতাঞ্জলিবু ঐনা পাজরুবদা পূক্নিংদা খনজখি ঐ শৈরেং মখা অমুক ইরুদ্রবসু য়ারে, ঐনা পামজবা শৈরেং মখল পূম্নমক বিশ্ব কবিনা লোইনা ইথোক্তুনা থম্বীরম্লে।”
ৱাহৈ পরেং মতেক অসি মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা ট্রান্সলেটরনা ফোঙদোকপনি। ট্রান্সলেটর অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৩) “থাজ থানিল” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবা কনানা ইবনো?

৪) “নোক্নীংদবা ফাগি” হায়বা ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু।

৫) “শমজিল্লবা লিক্লাং পরেং” হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।